

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,FRIDAY, SEPTEMBER 9, 2016 PAGE 7


*রোমানিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৫ শান্নরোই সাইমোনা হলেপ্পু সেট ২–১ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোই য়ু এস এ গী সেরেনা ৱিলিয়মস*

*ব্রাজিলগী জোন মারটিন দেল ওক্রোরবু সেট ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা স্রুইজরলেন্দগী শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ৩ স্তান ৱারিংকা*

## ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ ঃ

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লমখায়না য়ুনাইটেট স্পোর্টস এসোসিয়েসন, খুরাইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। লীগ অসি খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা স্পোন্সর ওইরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না ওর্গনাইজ তৌবনি।

অহান্বা মেটচ ওইনা এ আই এম অমদি য়ু এস এ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীম্নক য়াম্না চেকশিন্না অমনা অমবু লাকচবা ঙম্মদনা শান্নবা হৌরকখি।

শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা য়ু এস এ গী টি ঐচ বিকেসনা এ আই এম গী এন জেমসতা ফাউল তৌরুবদগী রিফরিনা পেনালটি অমা পীদুনা এ আই এম গী এন প্রিতম্না গোল ওন্থোকপা ঙমখি। গোল অমা মাংজিল থারকখিবদগী এ আই এম গী শান্নরোই শিংনা হেন্না থৱায় য়াওনা শান্নরকপদগী ১৯ শুবা মিনটতা এ আই এম গী দবলিয়ু তোম্বগী ফ্রি কিক অমদগী পীরকপা ফজরবা পাস অমদা দবলিয়ু অঙৌসননা নিংথিনা বোল কল্লেক্ট তৌদুনা এ আই এম গী অনীশুবা পাঞ্জল চন্না ঙমখি।

হাল্ফ মতুংদা নহা ওইরিবা য়ু এস এ গী শান্নরোইশিংনা শোথরিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্নবা হেন্না কন্না শান্নরকখি। পাঞ্জল ওইবা য়াবা কয়া য়ু এস এ গী ষ্ট্রাইক্করশিংগী অশোয়বনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী লোয়শিল্লকপদা পদা য়ু এস এ খুরাই, আই এ এম খাবম লমখায়গী মখুথা পাঞ্জল ০–২ দা মায়থিহৌখি।

শান্নরিঙৈ মনুংদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়ারগীদমক য়ু এস এ গী জেক্কি অমদি বীকাসতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।



## দুরান কপ ২০১৬ দা অৱাং নোংপোক্তগী টিম অনী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৮ ঃ*

এসিয়াদা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা দুরান্দ কপ ফুটবোলগী ১২৮ লক শুবা ইদিসন্দা অৱাং নোংপোক মায়কৈদগী মণিপুরগী নেরোকা এফ সি অমসুং মীজোরামগী আইজোল এফ সি সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেটচ দিল্লিগী অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নবদা গ্রুপ (বি) গী ওইনা আইজোল এফ সি অমসুং রিয়েল কাশ্মীর এফ সি অনীনা পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী আইজোল এফ সি গ্রুপ (বি) দা মেটচ ৫ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা মেটচ অমমম দ্রো অমসুং অমা মাইথিবা নংখিবগী পোইন্ট ১০ ফংলগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

গ্রুপ অসিদগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি অমসুং আর্মি রেদকী টিমসু পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

পনবা য়াবদি চত্থরিবা দুরান্দ কপ টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি না মেটচ অমা ফাওবা মায়থিবা নংখিদবা টিম ওইরি। টিম অসিনা গ্রুপ (বি) পুন্না মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখিবদগী সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ (এ) গী মকোক ওইখিবা পুনাগী দি এস কে সিভাজিয়ান্সকা অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি।

অমরোমদা গ্রুপ (বি) গী লিদর ওইখিবা মীজোরামগী আইজোল এফ সি না গ্রুপ (এ) গী অনীশুবা পোজিসন তাখিবা আর্মি গ্রিনগা হয়েং অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা অনীশুবা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী মতাংদা দি এস কে সিভাজিয়ান্সকী মেনেজর দেব রোজর্সনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী টিম অসিনা গ্রুপ (এ) গী অরোইবা মেটচতা আর্মি গ্রিনগা শান্নখি। হায়রিবা মেটচ অদুগী মাঙওইননা দি এস কে সিভাজিয়ান্স পোইন্ট ৭ ফংদুনা লৈখিবনি অদুগা আর্মি গ্রিন পোইন্ট ৮ ফংখি। মায় পাক্রবদি সেমি ফাইনেলগী আশা নেম্বা মরম্না য়াম্না কন্না শান্নদুনা পাঞ্জল ২–১ দা আর্মি গ্রিনবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মেনেজর অসিনা নেরোকা এফ সি গীমতাংদা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরগী ক্লব অসি নহা ওইবা অমসুং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংগী অপুনবা য়াম্না হোৎনবা কনবা টিম অমনি হায়খি। টিম অসিনা ফজনা শান্নরকপা নুমিৎতা মখোয়না মায়থিবা পীবা ঙম্লোইদবা টিম য়াওদে হায়খি।

মহাক্কী টিমগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ ৪ নিদা লীগ রাউন্দ মেটচ ৩ থংন–থংননা শান্নখিবা অদুনা মহাক্কী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদা চোকথবা লৈখিবনি। অদুবু লীগ রাউন্দগী মতুংদা পোত্থাবগী নুমিৎ হুমনি ফংদুনা হয়েং নুংথিল পুং ৫.১৫ গী হৌগদৌরিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা নেরোকা এফ সি গা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

মরম অদুনা নেরোকা এফ সিবু মায়থিবা পীননবা দি এস কে সিভাজিয়ান্সকী শান্নরোই পুন্নমক্না মখোয়গী মায়কৈদগী অশোয়বা অমত্তা লৈহন্দনা হান্নদগী হেন্না ফগৎপা মেটচ অমা শান্ননবা হোৎনবা মথৌ তাখি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ অদুনা থা অসিগী ১১ দা দিল্লিগী অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।



*দুরান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা মীজোরামগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা আইজোল এফ সি*

## বিষ্ণুপুর সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌরগনি

বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ৮ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী লমজিং মখাদা ৬ শুবা দাংমৈ মাজবি কবুই মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ থা অসিগী ১০ দী হৌরগনি হায়না দি এস এ বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহনল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম মরি অদুদি মোইরাং এফ সি অমসুং অমোফা, উৎলৌদগী ৱাই এস দব্লিউ এ অমসুং চিনিকোনদগী সি টি সি নি।

পুন্না টিম মরি অসিনা বিষ্ণুপুরদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা ২০ ফাওবা শান্নগদৌরি।

অহৌবা নুমিৎতা অমোফা অমসুং ৱাই এস দব্লিউ এ থেংনগনি। সেপ্টেম্বর ১২ দা মোইরাং এফ সি অমসুং ৱাই সি এস দব্লিউ এ শান্নরগনি।

সেপ্টেম্বর ১৪ দা সি ৱাই সি অমসুং অমোফা থেংনগনি। সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচতা ৱাই এস দব্লিউ এ অমসুং মোইরাং এফ সি সেপ্টেম্বর ১৬ তা শান্নগনি লোয়ননা সেপ্টেম্বর ১৮ দা সি ৱাই সি অমসুং ৱাই এস দব্লিউ এ থেংনরগা সেপ্টেম্বর ২০ দা অমোফা অমসুং এফ সি না লীগ অসিগী ৬ শুবা মেটচ শান্নগনি।

## চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ ২০১৬



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা লীৱা শারৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাংথোক্লিবা ফার্ষ্ট চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ ২০১৬ দা শান্নখিবা মেটচশিংদা লীৱা শারৈ য়ুঠ ক্লব (এল এস ৱাই সি ) অমদি চেংখু ফুটবোল ক্লব (সি এফ সি ) মখোয় মখোয়গী লম্বশিং মায়থিবা পীদুনা খুম্মাং চাওশিন্বা ঙম্মখ্রে। লীগ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী টিম তরানা শরুক য়ারীবনি।

লীগ অসিগী অহানবা মেটচতা লীৱা শারৈ য়ুঠ ক্লব না জিওন্তলাং য়ুঠ ক্লব পু য়াম্না লাকচনা গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। গোলশিং অদু আর মীটচেলনা ৪৫ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা গোল অনী অমদি ঙমফাশিংনা শানবগী ৫৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অদুনা এল এস ৱাই সি গী আর মিটচেল, কোন্নিৱার অমদি চিসিমোদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

২ শুবা মেটচতা সি এফ সি না পরোলোন য়ুঠ কলব (পি ৱাই সি ) বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। গোলশিং অদু পি এস কনখু অমসুং টি এস অলফানা শান্নবগী ৪ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি। মেটচ অদুদা সি এফ সি গী অলফা অমদি পি ৱাই সি গী রোবীঙামদা বেদ কন্দক্কীদমক য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

## পঙ্কজ অদবানি পদ্ম ভুষনগীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৮ ঃ*



বিলিয়ার্দস এন্দ স্নুকর মশান্নদা ৱার্ল্ড টাইটল ১৫ রক লৌবা ঙম্লবা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানিবু চহী অসিগী পদ্ম ভুষন মনা পীননবা মমিং রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মমাঙগী চহীদসু হায়রিবা এৱার্দ অসিগীদমক্তা অদবানিবু বিলিয়ার্দস এন্দ স্নুকর ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এস এফ আই) না রিকমেন্দ তৌখিবনি অদুবু ফংখিদে। পদ্ম ভুষন মনা অসি লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ান এৱার্দশিংগী মনুংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈবা মনানি।

বি এস এফ আই গী সেক্রেটরী এস বালাসুব্রমনিয়ান্না ফোঙদোকখিবদা ফেদরেসন অসিনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন পঙ্কজ অদবানিবু চহী থংন–থংননা রিকমেন্দ তৌবনি। হন্দক্তি শুংশোয়–শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

পদ্ম ভুষন এৱার্দ অসি আর্ট, লিটরেচর এন্দ ইদুকেসন, স্পোর্টস, মেডিসিন, সোসিয়েল ৱার্ক, সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং, পব্লিক এফিয়র্স, সিভিল সার্ভিস অমসুং ট্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিদা থোইদোক–হেন্দোক্লা থৱায় য়াওবা কত্থোকপা অমদি অহেনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙমখিবা মীওইদা পীবা মনানি।

হায়রিবা পদ্ম এৱার্দ অসিগী ফংগদবা মতিক চাবা কেন্দিদেটশিংগী মমিং রিকমেন্দ তৌদুনা হোম মিনিষ্ট্রিদা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা য়ৌহনগদবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা এৱার্দ কমিতিদা রিকমেন্দসেনশিং অদু অরোইবা ওইনা পীশিন্দুনা খনগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন পঙ্কজ অদবানি ২০০৪ দা আর্জুনা এৱাদ ফংখ্রবনি। মদুগী মতুং ২০০৫–০৬ তা খেল রত্ন এৱাদ ফংলবা মতুংদা ২০০৯ দা পদ্মশ্রী এৱার্দসু ফংখ্রবনি। মনা অসি চহী খুদিংগী লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দেগা মরী লৈননা লাওথোকপগী চৎনবী অমা লৈরি।

## পান্দেনা রন ৭৭ লৌখ্রে

ব্রিজবেন , সেপ্টেম্বর ৮ ঃ

আষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিজবেন সহরদা নুমিৎ ৪ গী ওইবা অনওফিসিয়েল টেষ্ট সেরিজ অমা ইন্দিয়া (এ) অমসুং আষ্ট্রেলিয়া (এ) না ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নোনিস পান্দেনা বোল ৭৬ তা রন ৭৭ লৌখ্রে।

অমরোমদা আষ্ট্রেলিয়া (এ) গী মিটচেল স্বেপসন্না ইন্দিয়াগী বেতচমেন মরি অথুবা মতমদা আউত তাহন্নদুনা রন ২৩০ দা ইন্নিং অদু লোইশিনখি। আষ্ট্রেলিয়া (এ) গী রন ২৪ লৌরগা ঙসি অহানবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 718/SDC/P of 2016

Rahamatum Begum
d/o Abdul Kadir of Khetri
Petitioner

-Vs-
Taz Begum
d/o Abdul Rashid Shah of Khergao
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 8th September, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Khetri Bengoon গী Patta No. 202 (অরিবা) 612/925 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1017/1266 an area 0.700 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
Manipur

SL/1248 (a)/09



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 715/SDC/P of 2016

Md. Abdur Rashid
s/o (L) Md. Nawab Ali of Kshetri Mayai Leikai
Petitioner

-Vs-
Muhammuddin Shah
s/o (L) Jamaruddin of Kshetri Bengoon
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 8th September, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Khetri Bengoon গী Patta Nos. 344 and 339 (অরিবা) 117 and 116 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 89 and 90 an area 0.30 acre of Phourel classes লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
Manipur

SL/1248 (b)/09



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 358/SDC/P of 2016

Aribam Ibopishak Sharma s/o A. Yaima Sharma
of Brahmapur Nahabam Lalji Lakpa Leikai
Petitioner

-Vs-
Aribam (O) Binasakhi Devi w/o A. Ibopishak Sharma
of Brahmapur Nahabam Lalji Lakpa Leikai
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 8th September, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Wangkhei Panchim Brahmapur গী Patta Nos. 47/Angsh (অরিবা) 25, 92/607(A) (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 236, 237/492(A) an area 0.026 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
Manipur

SL/1248 (c)/09



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 359/SDC/P of 2016

Aribam Ibopishak Sharma s/o A. Yaima Sharma
of Khongman Mangjil
Petitioner

-Vs-
Mathurabashimayum Binashakhi Devi
d/o Kallachand Sharma
of Khongman Mangjil
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 8th September, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Wangkhei Panchim Brahmapur গী Patta Nos. 154/Angsh (অরিবা) 326/762(A) (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 2045(A) an area 0.068 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
Manipur

SL/1248 (d)/09